হৌজিকপু লান তৌরি হায়দুনা ঐখোয় চপ-চপ লেপ্তুনা লৈরদরা? - ৪

- নানি

হৌজিকসি য়ৌনা ৰানরবা মতম অসিদা পূকচেল শেংনা আর্টিষ্ট ময়ামগীসু খনবীরগা, লৈবাক্কীসু খনবীরগা তৌবা য়াবা খরদি তৌহঞ্জনিংই।

মমাঙগী ইস্যুদা পঞ্জখিবা অদুগী মখা খজিক তারকপদা দিপার্টমেন্টশিংতগী ৰা ঙাক নত্তনা তৌবু তৌবীগে, শিনবু শিনবীগে হায়রবদি য়াম্না তৌবীবা য়াই। মণিপুরদা পোথোক কয়াগী এদভর্টিজমেন্ট ময়াম অমা তৌনরি। এদভর্টিজমেন্ট হায়বা অসি মীয়াম্না হেন্না খঙনবীরে, মসি বিজিনেসকীদমক্তদি খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা অমনি। এদভর্টিজমেন্ট তৌদনা মীয়ামদা প্রদক্ত অদুগী মরম অমদি মদুগী মতিক ময়াই অদু য়ৌহনবা খক ঙমদে। হোই মণিপুরদা অচৌ অচৌবা পোথোক পুথোকপা কম্পেনিদি লৈরমদবা য়াই। অদুবু কম্পেনি খূদিংমক্কী পোৎলম চৈরমদি মণিপুরদা লোইনা য়ৌরক্তবা লৈতে। মখোয়গী প্রদক্টশিং অদু মণিপুরগী মীয়াম্না য়াম্না পাক শন্না শীজিন্নরি। হায়রিবা প্রদক্টশিং অদুগী এজেন্ট ওইবীরিবা অমদি কম্পেনিদুগা শন্নবীরিবশিংনা মখোয়গী প্রদক্ত অদু প্রোমোট তৌনবগীদমক করি করিনো খরা শিনবীদুনা ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিং অসিবুসু শীজিন্নবীবা অমদি ঐখোয়গী মীয়ামগী পূন্সিরোলদসু খজিক মতেং পাংবীবা য়াবা থৌরাং কয়া শোয়দনা লৈগনি। মীঙোন্দা হায়বা য়াদবা মীনা তৌ হায়বদমক শুম তৌদুনা লৈরগদি ঐখোয়না খূৎ থাজিন্নবা মফম কৈসু লৈরোই। ইভন শঙ্গোমগী আইটেম হায়রো, এনি মখল অমগী আইটেম হায়রো, মদুগী এদভর্টাইজ তৌনবা অখন্নবা পেকেজ খরা পীযু হায়বদা য়াদ্রগদি ঐখোয় নোইগী পোৎতু য়োনবা ঙল্লোই হায়রগদি কম্পেনি অদুনা শোয়দনা তৌরক্কনি। মপানগী ষ্টেটশিংদদি এদভর্টিজমেন্ট য়াওদনা পোৎ অমত্তা মীনসু খঙদে, য়োনসু য়োন্দে। পুথোক্লিবা কম্পেনি অদুগী পোৎ অদু ফনা ফবা ওইরবসু মদুগী এজেন্ট ওইবীনবা মী লৈতে। ঐখোয়গী অসিদদি পোৎ অমা হেক থাজিল্লকপগা হেক্তা য়োন্নবা হোৎনৈ। এদভর্টিজমেন্ট অদুনা ফংগদৌরিবা খুদোংচাবদি প্রদক্ত অদুগী মরমদা অকুপ্পা মরোলশিং ঐখোয়না খঙহৌনবগী তাঞ্জা লৈগদৌরিবনি। লমদম অসিদা মখল কয়াগী বিজিনেস তৌবীরিবা লল্লোনবশিংনা য়ারগদি অসিগুম্বা থৌরাং অসিসু খরদা ওইরসু পায়খৎপীবদা য়াম্না চাউনা মায় পাক্কনি হায়না থাজে। হায়নদ্রগদি হেক্তা য়াগদবা নত্তে। য়ারগদি হায়নসি।

ইশম শম্না হিদাক য়োল্লিবশিংনসু মসিগী মরমদা হেন্না খঙবীগনি। মণিপুরদা পুশিল্লক্লিবা অনৌ-অনৌবা হিদাক মখল কয়া অসি কম্পেনি অদুনা মখোয়গী মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিভ ময়াম অমা থাদোক্তুনা ডোক্তরশিংগী মনাক্তা চঙহল্লি। হিদাক অদুগী মরমদা এম আরশিং অদুনা হায়হল্লি। লোয়ননা মখল কয়াগী গিফ্টসু পীরি। মদু ডোক্তরশিং অদুনা পেল্লবা মতুংদা হিদাক অদু পেসেন্টশিংদা ইরগা মখোয়গী বিজিনেস অদু চাউখৎহল্লিবনি। অসিগুম্বা থৌরাং অসিদসু করি করি তৌবা য়াবগে হায়বসি ঐখোয়গী এম আরগী ওইবা এসোসিএসন লৈবনি মদুনা খন্নবদা লোইনা থোক্কনি। হীরম খূদিংমক্তা লৈরিবা মীপুম খূদিংনা ওইরক্লিবা মণিপুরগী ফীভম অসিদা ঐখোয় পুন্না হিংমিন্নবা য়াবা অমদি ঐখোয় পুন্না নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা য়াবগী কাঙলোন অমা শেমহঞ্জনিংই। লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা মতম মতমগী মখল কয়াগী ওইবা হিদাক লাংথক, হার, মরু-মরাং মখল কয়াসু পুথোক্তুনা লৌমীশিংদা য়োল্লি। মদুগী মতাংদসু লৌখৎপা য়াবা থৌরাং কয়া অমা লৌখৎহন্নিংবগী অপাম্বা লৈজে। পোৎ য়াম্না য়োনবা ঙম্বগীদমক্তদি এগ্রিকলচরেল কম্পেনি কয়া কয়ানা এজেন্ট অমদি লৌমী কয়া কয়া চহীগী ওইনা মপানগী অচৌ-অচৌবা ষ্টেটশিংদা লম কোইবগী ওইবা ত্রিপ কয়া শেমদুনা পুরি। অচৌ-অচৌবা শেনফম কয়া কয়া থাদরগা অতাঙবা হোটেলদা থমদুনা অহাওবা কয়া চাদুনা চাদিং তৌরি। মদুদা থাদগদৌরিবা শেনফম অদুনা মখোয়গী প্রদক্ত অদুগী ওইবা এদভর্টাইজ তৌনবা আর্টিষ্টশিং অসিবু শীজিন্নবীদুনা মখোয়গীসু হিংজনবগী মতেং পাংবীবা অমদি মখোয়গী প্রদক্ত অদুবুসু হেন্না ময়ামদা শন্দোকপীনবা থৌরাং লৌখৎহঞ্জনিংই।

লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিং অসিনা ঐখোয়গী পুৱারী অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা লৌবীরক্লিবা থৌদাংশিং অসিসু খঙমিন্নবা মথৌ তাই। আর্টিষ্ট কয়ানা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী পূন্সিরোল অমা শাগৎপদা মতম চুপ্পদা কোকথোংনদুনা লাক্লিবনি। ঐখোয়গী অসিদদি আর্টিষ্টশিংগী মমল অমদি মখোয়বু সপোর্ট তৌবীবগী চাং অসি খরগী মখেদি হন্থবদৌনা তৌরি। অদুবু ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিং অসিনা খুন্নাই অসিদা লৌরিবা থৌদাংশিং অসিদি অসুক্কী মতিক হককই। ঐখোয়গী লায়রবা আর্টিষ্টশিং অসিনা মতম ফরিঙৈ মতমদসু শেল য়াম্না ফংবা ফংদবগী ৰাখল কৈসু থোইনা লৈখিদে। মখোয়দি মখোয় মখোয়না তৌজরিবা খরা অদুদা মীয়াম্না পেনবীদুনা খুবাক খুবীরকপদা, থাগৎপীরকপদা পংপেন্দা পেঞ্জবা কাঙবুনি। মমল মন্তিক্লরগা কা হেন্না মখোয়গী আর্ট অদু য়োল্লগা চাদুনা হিংলকপা নত্তে। ঐখোয়গী আর্টিষ্ট অমত্তা ফীভম তানা অমদি মচেং চানা লৈরম্বা কয়া থেংনদে। লায়রবা মচা ঙাক্তনা আর্টকী থবকশিং অসি তৌবীরকই। পোকপদগী শিবা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্তবা য়াদবা রিচুঅলগী ওইবা থবক থৌরম কয়া অমসু লৈরি। ইনাক কৈরাক খুল্লবা মতিক চাজরে হায়না লৈরিবা কয়া অমত্তগী মচা-মশুশিং হায়রিবা রিচুঅলগী ওইবা থৌরমশিং অসি খল্লগা চৎখিবা নত্তে। মখোয়গী মচা অদু পোকপদা, মনা হুৎপদা, লুগুন থাংবদা, লুহোং-খোংদোংবদা, য়াওরিবা চঙদবা য়াদ্রবা থৌরমশিংদুগী মনুংদা রিচুঅল হায়বা অসি খ্বাইদগী মরু ওই। ঈশৈ শকপা, পুঙ য়ৈবা, মোইবুং খোংবা, ময়াম অদু য়াওদ্রগদি হায়রিবশিং অদু করম্না পাঙথোকপা য়াগনি। হায়রিবশিং অসি অমত্তা কানবা য়াবা নত্তে। ঈশৈ শকপা অমা লাক্লে হায়বদা মাগী থৌরম অদু হৌবা য়াবা নত্তে। অদুগুম্লবা ইনাক কৈরাক খুল্লবা শেল পায়বশিং অদুগী মচা-মশুশিং অদুদি পুঙ য়ৈয়ু, ঈশৈ শকউ হায়দুনা মমা-মপা অমত্তনা ইনশিন্দে। লায়রবা মচা-মশুশিংনা অয়াম্বা হেক্তা ওইরম্মী। অদুবু লায়রবা আর্টিষ্টশিং অদু য়াওদ্রগদি ইনাক খুনবগী পাঙথোক্কদবা থৌরম অদু মপুং ফাবা ঙমদে, পাঙথোকপা য়াদে। খ্বাইসিদা ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিং অদুগী তঙাইফদবা অদুসু নীংশিংবীবা চুমগনি।

আর্টিষ্ট অমনা তৌরিবা থৌদাং অসি খুন্নাই অসিদা অসুক্কী মতিক চাউই। লৈঙাকপরোমদা হায়রবসু হেকমকোক কোক্লেন্দগী হৌরগা মখা তানা লৈখিবা ফাওবদা লৈরিবা পূম্নমক্তা ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিং অসিনা তৌরিবা খুদোল কয়া অসি অসুক্কী মতিক চাউই। মখোয়দা অনৌবা ৰাখল্লোন আর্টিষ্টশিংনা পোকহল্লিবনি। অনৌবা মীৎয়েং, মশানা তৌজরিবা অরানবশিং, মখোয়গী তৌগদবদা চিংথহৌবা কয়া, ঐখোয়গী মখল কয়াগী আর্টকী খুদোলশিং, ঈশৈ, লীলা, দ্রামা, ফিল্ম কয়ানা মখোয়দা মমিৎ মনা শিংহল্লিবনি। হীরম খূদিংমক্তা লৈরিবা মীপুম খূদিংনা পূন্সিগী মচি ওইবা মরু ওইবা কয়াদা ঐখোয়গী আর্ট থাদোকপা লৈখিদে। শুমাং লীলানা মখোয়দা করি-করি পীরি হায়বনচিংবসি হৌজিক মদু ইনৌ নৌনা অমুক নৈনরুবগী কান্নবা লৈতে হায়না খল্লি। মীপুম খূদিংগী পূক্লিং ৰাখলবু তগৎ-তগৎ তেকহল্লিবনি লোয়ননা অনৌবা ময়োল চোংহল্লিবনি। শুমাং লীলানা হায়দবা লৈবরা, চৈবসু ঙম্মী। তাকপসু ঙম্মী। তাক্লিবদু লৌদে হায়বা য়ারোই। মীচমদগীনা খ্বাইদগী চাউবশিং ফাওবদা শুমাং লীলানা তাকপা পাড়া লোইনা ফানখিবা ঙাক্তনি। পঞ্জরিবা অসিদি খরখক্তনি। য়াম্না লৈখ্রে।

তাঞ্জা অসিদা ঐখোয়গী শুমাং লীলা নত্তনা অতৈ শিনফম অমা তৌজদ্রবা আর্টিষ্টশিং অসিনা লৈরিবা ফীভম অসিদা কয়ামুক য়াম্না ৰাজরিবগে হায়বা অসি ঐখোয় কনানসু খন্নরুদবগুম তৌরি। মসি তশেংনা তৌহৈদবা অমনি। সী এম এ টিগী তেংবাঙ পীরি হায়না কনাগুম্বশিংনা খুল্লকপা য়াই। অদুবু মদু মীওই কয়াদা পীরিবগে, কনা-কনানা ফংলিবগে খুজোক অদুনা য়াবরা? কাঙলোন অমা শেমদুনা তোঙান তোঙানবা আর্টকী লৈরিবা এপেক্স বোদিশিং অসিনা খন্নরগা পূকচেল শেংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন খুদোংচাবা পীবা নত্তবদা অৰাবা মশেন ঙাক্তা ওইবনিনা খরা হেন্না খুদোংচাদবশিং অদুদা অহেনবা তাঞ্জা অমমম পীবীদুনা পুন্না হিংমিন্নবা য়াবগী তাঞ্জা অমত্তংদি পীহঞ্জনিংই।

নট্যশিংগী অখন্নবা ৰাখল : - নট্য ফাল

নিংথৌ খাগেম্বা (কুমজা ১৫৯৭-১৬৫২)গী মতমদগী লৈরকখিবা মণিপুরগী ‘ৱারী লীবা’ আর্ট ফোর্ম মুংখিদনবা

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা হোৎনরক্লিবা তখেল্লম্বম শ্যামকন্হাই



মণিপুরগী লৈমায়দগী মুংখিগদৌরবা আর্ট ফোর্মশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ‘ৱারী লীবা’ হায়রিবা আর্ট ফোর্মসি অদুঙৈ কুমজা ১৫৯৭ তগী ১৬৫২ ফাওবা পাল্লমখিবা মণিপুরগী নিংথৌ খাগেম্বগী মতমদগী লৈরকখিবনি হায়না ‘মশিনলোন’ কৌবা পুয়াদা ময়েক শেংনা ইদুনা য়াওই। অদুবু অদুঙৈ কুমজা ১৭১৪দা পাল্লমখিবা পামহৈবা নিংথৌগী হাক্তক্তা মপান লৈবাক্তগী হিন্দু লাইনিং চঙশিল্লকখিবদগী নিংথৌ অসিগী মমিং ফাওবা গরিবনিৱাজ হায়না ওন্থোকপদা নত্তনা কংলৈপাক অসিগী মমিং ফাওবা ‘মণিপুর’ হায়না ওন্থোকখিবগা লাইনিং অমসুং লোয়ননা পুৱারীগা শাগোন্নরকখিবা য়েলহৌমী মীতৈ ফুরুপকী চাকচা-য়ুথক, য়ূম্বানলোন, ফিরোলনচিংবদা নত্তনা হীরম কয়াদা অহোংবা লৈরকখি। অনৌবা লাইনিং চঙলকপগী শাফুনা মণিপুরগী শক্তম পূম্নমক্তা চৈথেং পীখ্রবসু ‘ৱারী লীবা’ হায়রিবা আর্ট ফোর্ম অসিদি ঙসি ফাওবা লেঙদনা লৈরক্লি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা মীওই পূম্নমক লাঞ্জেন্নখিবদগী লান্দুদা লৈখিদ্রবা মীওইগী লান্ন-থৌরম শোনবীনবা ফাওবা লৈতবা তাঞ্জাদা ৱারী লীবা ওজাশিংনা ৱারী লীদুনা লান্ন-থৌরম পাঙথোকপগী ৱারী লৈরি।

অসিগুম্লবা চহী ৫০০ রোম ফাজিল্লক্লবা আর্ট ফোর্ম অসিবু মুংখিদনবগীদমক ঙসি ফাওবদা থৱায়-হকচাং য়াওনা হোৎনরকখিবা আর্টিষ্ট অমা পনবা তারবদি কৈবী টাইগর কেম্পতা পোকখিবা শ্যামকন্হাই তখেল্লম্বমনি। হৌজিক্লা চহী ২০ লোমগী মমাঙদগী খুরাই চাইথবী লৈরক্তা লৈরকখিবা মহাক্কী অপোকপগী মিংনা তখেল্লম্বম নিমাইচান্দ অদুগা অপোকপীগী মিংনা তখেল্লম্বম ওংবী খম্বী কৌই। মচিন-মনাও পুন্না তরেৎ (নুপা ৩ নুপী ৪)গী মনুংদা মহাক্না তরুকশুবনি। শ্যামকন্হাই তখেল্লম্বমগী লোয়নবীগী মিংনা লাইরেনময়ুম বেদপালা কৌই। য়ূম্বান পূন্সিদা খোঙদারকপদগী হৌজিক মচানুপী অমা অমসুং মচানুপা অমা লৈরে। আর্ট ফোর্ম অসিনা ঙসি ফাওবদা হিংদুনা লৈরকপা অমসুং মসিগী ফীভমগী মতাংদা মহাক্না হায়, ৱারী লীবা হায়রিবা আর্ট ফোর্ম অসি মণিপুরগী অরিবা আর্ট ফোর্মশিংগী মনুংদা অমনি। আর্ট ফোর্ম অসিবু পামজদুনা ঐহাক ইশাগী চহী ১২ খক্তমক শুরিঙৈ মতমদগী হৌনা অখণ্ড-অহৈশিং ওজাশিংগী তুং ইন্দুনা ৱারী লীবা তম্লকখি। ঐহাক্না য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈ ১৯৯২দগী ৱারী লীবা হৌরকখি। ঐহাক্কী ইতৌ উবদা অউবা অমসুং অতাবা মীওইশিংনা ঙক্লা পাম্নবগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎপীরকখি। মতম অমগী ওল ইন্দিয়া রেদিও, হৌজিক্কীনা অকাশবানি ইম্ফালগী অঙাংগী থৌরমদা ঐহাক ক্লাস টেন কাররক্লবা ফাওবা লেপ্তুনা শরুক য়াদুনা ৱারী লীরকখি। ইয়াম্বনা ৱারী লীবা তম্বা চৎপদা ইয়াম্বগী মতুং ইন্দুনা ৱারী তারকখি। নোংমদি ওজা অদুনা নহাকসু হৈরম্লগনি হায়দুনা ৱারী লীনবা হায়রকপদগী ঐহাক্না হৈজবশিং লীরুবদা অতাবা পূম্নমক্কী পূক্নিং শুম্লৎখি। অসুম্না কুমজা ১৯৯২দগী হৌজিক ফাওবদা লেপ্তুনা চহী ৩২ চুপ্পা আর্ট ফোর্ম অসি কন্নবা হোৎনজরক্লি। অদুবু মতম অমদা খ্বাইরম্বা কৈথেল ফম্বীশিং য়াওনা খুরাই, ৱাঙ্খেই, য়াইস্কুল পানাশিং শীন্দোক্লদুনা ৱারী লীবা তানিংই হায়দুনা থওইনা ৱারী লীহল্লম্বা অদুগী ফীভমদু ঙসিদি ওইদ্রে। ইশম শম্না ৱারী লীবা তবীনবা মীওইশিংগী মশীং ৱাৎলক্লে। কোভিদ-১৯গী মতমদনা অমুক্লা হেন্না লৈখিদে। মণিপুরদা ৱারী লীবা ৪০/৫০ মুক লৈরবসু হৌজিক ফাওবা শিনফম অসিদা মায় ওনশিল্লিবা মীওইশিংদি ৪/৫দগী হেন্না লৈশিল্লক্ত্রে। অয়াম্বনা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা মায় ওনশিন্নখ্রে। লীগদৌরিবা ৱারীসু হিন্দু লাইনিংগী মহাভারত, রমায়ন অদুগা মীতৈগী সনামহীগী, পুয়াগী নৎত্রগা মোইরাং পর্বনচিংবগী তাঞ্জকশিংবু তানিংবা মীওইশিংগী অপাম্বা মতুংইন্না লীহল্লম্মী অমসুং তান্নরম্মী হায়রি।

শিনফম অসিদা লুপ্তুনা আর্ট ফোর্ম অসিবু পিরাই ঙাক্তুনা পুখৎলক্লিবা শ্যামকন্হাই তখেল্লম্বম ওল মণিপুর ৱারী লীবা এসোসিএসনগী চহী ১৫ মুক সেক্রেটরিগী থৌ পুরম্বদা নত্তনা রেপর্টরি ওফ ৱারী লীবা মণিপুর হায়না রেজিষ্টর তৌবদগী হৌজিক মসিগী দিরেক্তর ওইনা থৌ পুরি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মুংখিগদৌরিবা আর্ট ফোর্ম অসিবু কন্নবগীদমক শেন্থংনচিংবা পীবীবগী মথক্তা মহৈরোয়শিংগী সিলেবসতসু হাপচিনবীদুনা তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা আর্ট ফোর্ম অসিগী মশক খঙহন্নবা হোৎনহন্নিংই হায়রি। শিনফম অসিদা পূক্নিং-হকচাং লুপ্না হোৎনজরকখিবগী মহয় অসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দী লৈখিদ্রবা অমোম লালা, চবুংবম কোন্দুম, লাইখুরাম মনি, লৈখিদ্রবা হাওবিজম অমুতেম্বী, লৈখিদ্রবা সলাম ঈশৈহনবনচিংবা অহল-লমনশিংনা লমজিং লমতাকপীরকপগী মহয়নি হায়রি। আর্ট ফোর্ম অসিবু মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা চক্তুনা মীয়ামগী মীৎমাং অমসুং নাকোংদা খুদোল তম্লক্লিবা তখেল্লম্বম শ্যামকন্হাই হৌজিক ফাওবদা লৈতেংলকখিবা মনাশিংগী মনুংদা- উস্তাদ বিশমিল্লা খান য়ুব পুরস্কার ২০০৯ (সঙ্গীতনাটক একাদেমী, ন্যু দেল্লি), শ্রীশ্রী গোবিন্দজি নট সঙ্কীর্ত্তন একাদেমী, ইম্ফালনা পীবা গুরু এস পিশক সিংহ নীংশিং মনা- ‘অভিনন্দন পত্র’ (মেমোরিএল এৱার্দ ২০১০), ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওর্গনাইজেসনশিংগী এপেক্স বোদি ওইরিবা য়ুনিয়ন ওফ সোসল অপলিফ্টমেন্ট, খুরাইনা মোইরাংথেম নিংথৌ নীংশিং মনা (মেমোরিএল এৱার্দ ২০১০) পীখি। লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎতুনা তরাম্না ওকখিবশিংগী মনুংদা খরা পল্লবদা- কুমজা ২০১০দা খুরাই কলা বিদ্যা ভবন, ইম্ফাল ইষ্ট; ওল মণিপুর ৱারী লীবা এসোসিএসন এন্দ রিছার্স সেন্টর, ইম্ফাল (২০১১); য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস লোয়শঙগী মখাদা নেহরু য়ুব কেন্দ্র সঙ্ঘথন্না দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এৱার্দ-২০১১ পীবগা লোয়ননা য়াইরিপোক্কী রিজনল সেন্টর ফোর কলচরেল হেরিটেজনা কুমজা ২০২২দা গুরু নবচন্দ্র শর্ম্মা নীংশিং মনা (মেমোরিএল এৱার্দ) পীবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৫দা রেপর্টরি ওফ ৱারী লীবা মণিপুরনা তরাম্না ওকখি।

হেমচান্দ নিংথৌজম

চাকখুমদগী থোরক্লকপা মরোই-মোরোক হেকপা পৎলি, হেকপা য়াদে

(The Science Behind the Statement)

ডা: এম থোইথোই সিংহ, ক্রোপ সোল্যুসন্স

ৰাহে পরেংসি মমাংঙৈগী অহলশিংনা মচা-মমৌশিংদা তোয়না হায়রম্বা পাউতাক্লি। ৰাফমসি থম্বীরল্লিবা লাই ওইখ্রবা অহলশিংদুগী ৰাহে পরেং অসি সাইনটিফিক ওইবা মীৎয়েংদসু কক্লিংঙাই লৈতবা ৰাফম অমা ওইরি।

চাকখুমদগী থোরকপা হায়বসিমক্তবু মরোই-মপাং, মনা-মশিংদা নত্তনা হৈ-রা কয়া শেমদোক শেমজিন তৌরিবনি। বেক্টেরিয়া অমসুং কোকফাই মখল কয়ানা মাঙহল্লবা মনা-মশিং, মরোই-মপাং কয়াদা য়াওরিবা অপৎপা অশোকপা কয়াদু খূৎনা মন্থোকপা, থাঙনা শোইদোকপনচিংবা তৌবদা মখল কয়াগী বেক্টেরিয়া অমসুং কোকফাইশিং খূত্তা য়াওরকই। থোং-থাক্লবগীদমক শেম-শাবা, মন্থোক-মনশিন তৌবা হায়বসিমক্তবু অপৎপা, অশোকপা, লায়না তীন্না কয়া তাশিল্লবা থোং-থাক্লবা নৎত্রগা চাননবা শেম-শাবদা নুংঙাইরোইদবা পোৎলমশিং লৌথোকপা ককথৎপনচিংবদা খূত্তা পল্লক্লিবা পোৎলমশিংদু চামথোক-চামশিন তৌবদা শেংহনবা ঙল্লোই। পায়রুবা খূদিংগী সাপোন শীজিন্নবসু নত্তে। মমাংঙৈদদি খুজাম কোন (খূৎ চাম্নবা কোন) হায়বদুদা খূত্তু চাল্লিবনি হায়দুনা অমুক অনীরক খক লুপ্লিবনি। শেংনা হাম্বা নত্তে। ঙসি-ঙসিমকসু শেংদ্রি। পায়রুবা খূদিংগী সাপোন শীজিন্নবগী মতম লৈরোই।

মহিক-মতাই কয়া অমা পল্লিবা খূত্তুনা মপান্দা হৌরিবা মনা-মশিং নৎত্রগা পাল্লিবা পোৎলমশিং হেক্লবা হায়বসি খূত্তা পল্লকপা বেক্টেরিয়া কোকফাইনচিংবশিং পাম্বীদুদা য়ৌখিনি। হৌরিবা পাম্বীশিংদু লায়না কয়ানা নারক্কনি।

চাকখুম য়ৌনা পুরক্লিবা মনা-মশিং, মরোই-মপাং, হৱাই-চেংৱাই, হৈ-রা কয়াগী অপৎপা-অশোকপা শরুকশিংদা লোয়নরকপা বেক্টেরিয়াশিংগী মনুংদা *Erwinia, Bacillus, Pseudomonas, Xanthomonas, Ralstonia, Agrobacterium, Xylella, Dickeya, Pectobacterium* মমিং পনবা য়াই। মহৌশানা বেক্টেরিয়াশিংদি পাম্বীগী মশাগী হোরগা লৈজবা (natural openings) Stomata, Hydathode, Lenticles অমসুং হেকখিবা, লেনখিবগী অশোকপা মফমশিংদা ইকোম কোম্না চঙবা ঙম্মী। চাকখুমদগী খূত্তা য়াওরকপা বেক্টেরিয়াশিং মপানগী পোৎলমশিং হেকপদা পাম্বীদুদা লৈহৌগনি। হেকখিবগী মফমশিং অমসুং মহৌশাগী ওইবা অহোবশিংদুদা য়ৌখ্রবা মতুংদা বেক্টেরিয়াদুনা থোকহনবা লায়নাদু নারকই।

কোকফাইশিংগী ওইনদি পাম্বীগী মফম অমদা হেত্তা চঙবা ঙম্মী। মনা-মশিং, হৈ-রা, মরোই-মপাং অমসুং হৱাই-চেংৱাইনচিংবগী অপৎপা অশোকপশিংদা চেন্নরকপা, পাম্বীবু লায়না থোকহনবা ঙম্বা কোকফাইশিংগী মনুংদা *Penicillium, Aspergillus, Rhizopus, Geotrichum, Botrytis, Fusarium, Alternaria, Colletrotrichum, Phomopsis, Rhizoctonia, Sclerotium* অমসুং *Sclerotinia* নচিংবা মমিং পনবা য়াই।

য়ামখ্রবা কোকফাই-বেক্টেরিয়া মখলশিং অসিদগী অমা অনীখক্লা মশা ফরিবা পাম্বীশিংদা লায়না থোকহনবা ঙম্মী, চেকশিন্নিংঙাইনি।

লাই ওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা খূদিংমক ঙসিগী মীরোন্না য়াম্না চেকশিন খোমজিন্না থম্বা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা অমনি।

ꯆꯥꯛꯈꯨꯝꯗꯒꯤ ꯊꯣꯔꯛꯂꯛꯄ ꯃꯔꯣꯏ-ꯃꯣꯔꯣꯛ ꯍꯦꯛꯄ ꯄꯠꯂꯤ, ꯍꯦꯛꯄ ꯌꯥꯗꯦ

(The Science Behind the Statemen)

ꯗꯥ. ꯑꯦꯝ ꯊꯣꯏꯊꯣꯏ ꯁꯤꯡꯍ, ꯀ꯭ꯔꯣꯞ ꯁꯣꯜꯌꯨꯁꯟꯁ

ꯔꯥꯍꯦ ꯄꯔꯦꯡꯁꯤ ꯃꯃꯥꯡꯉꯩꯒꯤ ꯑꯍꯜꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯆꯥ-ꯃꯃꯧꯁꯤꯡꯗ ꯇꯣꯏꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯝꯕ ꯄꯥꯎꯇꯥꯛꯂꯤ॥ ꯔꯥꯐꯃꯁꯤ ꯊꯝꯕꯤꯔꯝꯂꯤꯕ ꯂꯥꯏ ꯑꯣꯏꯈ꯭ꯔꯕ ꯑꯍꯜꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯤ ꯔꯥꯍꯦ ꯄꯔꯦꯡ ꯑꯁꯤ ꯁꯥꯏꯟꯇꯤꯐꯤꯛ ꯑꯣꯏꯕ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡꯗꯁꯨ ꯀꯛꯂꯤꯡꯉꯥꯏ ꯂꯩꯇꯕ ꯔꯥꯐꯝ ꯑꯃ ꯑꯣꯏꯔꯤ॥

ꯆꯥꯛꯈꯨꯝꯗꯒꯤ ꯊꯣꯔꯛꯄ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯃꯛꯇꯕꯨ ꯃꯔꯣꯏ-ꯃꯄꯥꯡ, ꯃꯅꯥ-ꯃꯁꯤꯡꯗ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯍꯩ-ꯔꯥ ꯀꯌꯥ ꯁꯦꯝꯗꯣꯛ ꯁꯦꯝꯖꯤꯟ ꯇꯧꯔꯤꯕꯅꯤ॥ ꯕꯦꯛꯇꯦꯔꯤꯌꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯣꯛꯐꯥꯏ ꯃꯈꯜ ꯀꯌꯥꯅꯥ ꯃꯥꯡꯍꯜꯂꯕ ꯃꯅꯥ-ꯃꯁꯤꯡ, ꯃꯔꯣꯏ-ꯃꯄꯥꯡ ꯀꯌꯥꯗ ꯌꯥꯎꯔꯤꯕ ꯑꯄꯠꯄ ꯑꯁꯣꯛꯄ ꯀꯌꯥꯗꯨ ꯈꯨꯠꯅꯥ ꯃꯟꯊꯣꯛꯄ, ꯊꯥꯡꯅꯥ ꯁꯣꯏꯗꯣꯛꯄꯅꯆꯤꯡꯕ ꯇꯧꯕꯗ ꯃꯈꯜ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯕꯦꯛꯇꯦꯔꯤꯌꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯣꯛꯐꯥꯏꯁꯤꯡ ꯈꯨꯠꯇꯥ ꯌꯥꯎꯔꯀꯏ॥ ꯊꯣꯡ-ꯊꯥꯛꯂꯕꯒꯤꯗꯃꯛ ꯁꯦꯝ-ꯁꯥꯕ, ꯃꯟꯊꯣꯛ-ꯃꯅꯁꯤꯟ ꯇꯧꯕ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯃꯛꯇꯕꯨ ꯑꯄꯠꯄ, ꯑꯁꯣꯛꯄ, ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯇꯤꯟꯅꯥ ꯀꯌꯥ ꯇꯥꯁꯤꯜꯂꯕ ꯊꯣꯡ-ꯊꯥꯛꯂꯕ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯆꯥꯅꯅꯕ ꯁꯦꯝ-ꯁꯥꯕꯗ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯔꯣꯏꯗꯕ ꯄꯣꯠꯂꯃꯁꯤꯡ ꯂꯧꯊꯣꯛꯄ ꯀꯛꯊꯠꯄꯅꯆꯤꯡꯕꯗ ꯈꯨꯠꯇꯥ ꯄꯜꯂꯛꯂꯤꯕ ꯄꯣꯠꯂꯃꯁꯤꯡꯗꯨ ꯆꯥꯝꯊꯣꯛ-ꯆꯥꯝꯁꯤꯟ ꯇꯧꯕꯗ ꯁꯦꯡꯍꯟꯕ ꯉꯝꯂꯣꯏ॥ ꯄꯥꯌꯔꯨꯕ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯁꯥꯄꯣꯟ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯁꯨ ꯅꯠꯇꯦ॥ ꯃꯃꯥꯡꯉꯩꯗꯗꯤ ꯈꯨꯖꯥꯝ ꯀꯣꯟ (ꯈꯨꯠ ꯆꯥꯝꯅꯕ ꯀꯣꯟ) ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯗ ꯈꯨꯠꯇꯨ ꯆꯥꯟꯂꯤꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯑꯃꯨꯛ ꯑꯅꯤꯔꯛ ꯈꯛ ꯂꯨꯞꯂꯤꯕꯅꯤ॥ ꯁꯦꯡꯅꯥ ꯍꯥꯝꯕ ꯅꯠꯇꯦ॥ ꯉꯁꯤ-ꯉꯁꯤꯃꯛꯁꯨ ꯁꯦꯡꯗ꯭ꯔꯤ॥ ꯄꯥꯌꯔꯨꯕ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯁꯥꯄꯣꯟ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯒꯤ ꯃꯇꯝ ꯂꯩꯔꯣꯏ॥

ꯃꯍꯤꯛ-ꯃꯇꯥꯏ ꯀꯌꯥ ꯑꯃ ꯄꯜꯂꯤꯕ ꯈꯨꯠꯇꯨꯅꯥ ꯃꯄꯥꯟꯗ ꯍꯧꯔꯤꯕ ꯃꯅꯥ-ꯃꯁꯤꯡ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯄꯥꯜꯂꯤꯕ ꯄꯣꯠꯂꯃꯁꯤꯡ ꯍꯦꯛꯂꯕ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯈꯨꯠꯇꯥ ꯄꯜꯂꯀꯄ ꯕꯦꯛꯇꯦꯔꯤꯌꯥ ꯀꯣꯛꯐꯥꯏꯅꯆꯤꯡꯕꯁꯤꯡ ꯄꯥꯝꯕꯤꯗꯨꯗ ꯌꯧꯈꯤꯅꯤ॥ ꯍꯧꯔꯤꯕ ꯄꯥꯝꯕꯤꯁꯤꯡꯗꯨ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯀꯌꯥꯅꯥ ꯅꯥꯔꯛꯀꯅꯤ॥

ꯆꯥꯛꯈꯨꯝ ꯌꯧꯅꯥ ꯄꯨꯔꯛꯂꯤꯕ ꯃꯅꯥ-ꯃꯁꯤꯡ, ꯃꯔꯣꯏ-ꯃꯄꯥꯡ, ꯍꯋꯥꯏ-ꯆꯦꯡꯋꯥꯏ, ꯍꯩ-ꯔꯥ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯑꯄꯠꯄ-ꯑꯁꯣꯛꯄ ꯁꯔꯨꯛꯁꯤꯡꯗ ꯂꯣꯌꯅꯔꯀꯄ ꯕꯦꯛꯇꯦꯔꯤꯌꯥꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ *Erwinia, Bacillus, Pseudomonas, Xanthomonas, Ralstonia, Agrobacterium, Xylella, Dickeya, Pectobacterium* ꯃꯃꯤꯡ ꯄꯟꯕ ꯌꯥꯏ॥ ꯃꯍꯧꯁꯥꯅꯥ ꯕꯦꯛꯇꯦꯔꯤꯌꯥꯁꯤꯡꯗꯤ ꯄꯥꯝꯕꯤꯒꯤ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯍꯣꯔꯒꯥ ꯂꯩꯖꯕ (natural openings) Stomata, Hydathode, Lenticles ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯍꯦꯛꯈꯤꯕ, ꯂꯦꯟꯈꯤꯕꯒꯤ ꯑꯁꯣꯛꯄ ꯃꯐꯃꯁꯤꯡꯗ ꯏꯀꯣꯝ ꯀꯣꯝꯅꯥ ꯆꯉꯕ ꯉꯝꯃꯤ॥ ꯆꯥꯛꯈꯨꯝꯗꯒꯤ ꯈꯨꯠꯇꯥ ꯌꯥꯎꯔꯀꯄ ꯕꯦꯛꯇꯦꯔꯤꯌꯥꯁꯤꯡ ꯃꯄꯥꯟꯒꯤ ꯄꯣꯠꯂꯃꯁꯤꯡ ꯍꯦꯛꯄꯗ ꯄꯥꯝꯕꯤꯗꯨꯗ ꯂꯩꯍꯧꯒꯅꯤ॥ ꯍꯦꯛꯈꯤꯕꯒꯤ ꯃꯐꯃꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯑꯍꯣꯕꯁꯤꯡꯗꯨꯗ ꯌꯧꯈ꯭ꯔꯕ ꯃꯇꯨꯡꯗ ꯕꯦꯛꯇꯦꯔꯤꯌꯥꯗꯨꯅꯥ ꯊꯣꯛꯍꯟꯕ ꯂꯥꯏꯅꯥꯗꯨ ꯅꯥꯔꯀꯏ॥

ꯀꯣꯛꯐꯥꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯗꯤ ꯄꯥꯝꯕꯤꯒꯤ ꯃꯐꯝ ꯑꯃꯗ ꯍꯦꯠꯇꯥ ꯆꯉꯕ ꯉꯝꯃꯤ॥ ꯃꯅꯥ-ꯃꯁꯤꯡ, ꯍꯩ-ꯔꯥ, ꯃꯔꯣꯏ-ꯃꯄꯥꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯍꯋꯥꯏ-ꯆꯦꯡꯋꯥꯏꯅꯆꯤꯡꯕꯒꯤ ꯑꯄꯠꯄ ꯑꯁꯣꯛꯄꯁꯤꯡꯗ ꯆꯦꯟꯅꯔꯀꯄ, ꯄꯥꯝꯕꯤꯕꯨ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯊꯣꯛꯍꯟꯕ ꯉꯝꯕ ꯀꯣꯛꯐꯥꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ *Penicillium, Aspergillus, Rhizopus, Geotrichum, Botrytis, Fusarium, Alternaria, Colletrotrichum, Phomopsis, Rhizoctonia, Sclerotium* ꯑꯃꯁꯨꯡ *Sclerotinia* ꯅꯆꯤꯡꯕ ꯃꯃꯤꯡ ꯄꯟꯕ ꯌꯥꯏ॥

ꯌꯥꯝꯈ꯭ꯔꯕ ꯀꯣꯛꯐꯥꯏ-ꯕꯦꯛꯇꯦꯔꯤꯌꯥ ꯃꯈꯜꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯗꯒꯤ ꯑꯃ ꯑꯅꯤꯈꯛꯂꯥ ꯃꯁꯥ ꯐꯔꯤꯕ ꯄꯥꯝꯕꯤꯁꯤꯡꯗ ꯂꯥꯏꯅꯥ ꯊꯣꯛꯍꯟꯕ ꯉꯝꯃꯤ, ꯆꯦꯛꯁꯤꯟꯅꯤꯡꯉꯥꯏꯅꯤ॥

ꯂꯥꯏ ꯑꯣꯏꯈ꯭ꯔꯕ ꯏꯄꯥ-ꯏꯄꯨꯁꯤꯡꯅꯥ ꯊꯝꯕꯤꯔꯝꯕ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛ ꯉꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯔꯣꯟꯅꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯆꯦꯛꯁꯤꯟ ꯈꯣꯝꯖꯤꯟꯅꯥ ꯊꯝꯕ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯇꯧꯗꯕ ꯌꯥꯗ꯭ꯔꯕ ꯑꯃꯅꯤ॥

এপ্রুভ তৌবা দোক্যুমেন্ট পায়দবা মেম্বর ভোট থাদবা লাকপা য়ারোই : কেন্দিদেটশিং

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস আর্টিসান্স কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদতা এফিলিয়েট তৌবা সোসাইটিশিংগী বোর্দ মেম্বর খন্ননবা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ভোট অসিদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কেন্দিদেট অমদি ভোটরশিংনা দিষ্ট্রিক্ট কোওপরেটিভ ওফিসর (দি সী ও)না এপ্রুভ তৌবা দোক্যুমেন্ট পায়দ্রগদি ভোট থাদবা য়ারোই, এপ্রুভ তৌরবা দোক্যুমেন্ট পায়বশিং খক্তমক ভোট থাদহনগনি হায়না ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি থৌবালগী সোসাইটিশিংগী কেন্দিদেটশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হীরমসিগা মরী লৈননা ঙসি তেরা কৈথেলদা দিষ্ট্রিক্ট অহুমগী কেন্দিদেটশিংনা পাঙথোকখিবা পাউমী মীফম অমদা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট অমা ওইরিবা অঞ্জলি আর কেনা ফোঙদোকখিবদা, ইলেক্সনসিগী ওইনা কেন্দিদেটশিংনা থাজি লক্লকখিবা এ-ফোর্মশিংগী চেনিং ভোটরশিংনা ফংদবা য়াওরে হায়বগী কমপ্লেন্ট লাকপদগী থিগৎলুবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কেন্দিদেট অনীনা ভোটরশিংগী চেনিং পুদুনা চৎখ্রগা পায়শিন্দুনা থল্লম্বনি হায়রি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৰাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমেরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৭।০৩।২০২৪ ইং, নোংমাইজিং;
লমতাগী ৮ নি পানবা।

মেষ: লাইবক ফবা, মীয়ামগী মতেং ফংবা, ইমুং-মনুং ৰাখল মান্নবা থৌ পাঙবা ঙমগদবা নুমিৎনি। পঙলদি/নাপল তৌরবদি ময়েং তাগনি।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

বৃষ: লাইবক ফবা ৰাৎলসু থৌনা লৈবনা থৌ পাঙগনি, ইচঙ থৌবনা লন তানশিনবা ঙমজগনি। অফবা মরুপকী মতেং লৌবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী- হেন্না থাজবা য়াদ্রি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

মিথুন: নথক থোংবগা মরী ফবা খরা ৰাৎলসু নচাক-নরল চাওখৎপগী নুংঙাইজগনি। হকচাং খিঙগনি, মরুপ-মপাংগী মতেং ফংগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক থোইনা ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কর্কট: য়েক্লবতা নত্তনা নথক থোংবনা থবক ইনখাংদা অকায়বা পীবিগনি। নাইতোম অরুবা থবক পাঙগনু, মহু চাউবদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংগী- মীৱা থাজরদি মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

সিংহ: হকচাং নুংঙাইবা ৰাৎকনি, খুদক্কী ৰারেপ লৌগনু, মৈ অমদি মীয়াম লোয়নবদা চেকশিল্লু। শেল-থুমগী লমদদি চাউনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

কন্যা: লন চঙগনি, থবক্তা শেল থাদবা মতাং চাগনি। কিদবনা কান্নবা হেনগনি, শাগৈনা চানবীগনি। অরং-অরাক মাঙবগী নুংঙাইতবদি লৈ।
লৈশা পাখংগী- লাইবক খরদি ফরনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

তুলা: তুংগী পোরম শীন্দোকপা হৈবতা নত্তনা ঈকায় খুম্নবসু ফংজগনি। অচুম্বনা লাকচগনি। থিবা-হুম্বা কন্দ্রদি খুরৌ থাংবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংগী- ওইজবা ঙাক্তা থিগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

বৃশ্চিক: মীয়াম লোয়নবা অমদি ইমুং-মনুংগী ৰাতমক লৌবনা কান্নগনি। নোল্লক্লা চৎত্রদি পূক্নিং নুংঙাইরোই, মীৱা লৌরবা অচানবা কায়ননি।
লৈশা পাখংগী- মরীদি হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

ধনু: নথক থোংবনা মীচঙ হন্থনবা হোৎনরক্কনি-নোল্লক্লা চৎলু। নচা-ননাই অমদি থৌনা হন্দবনা অফবা মফম কনগনি, শেন্দোং লৈ।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবা ফংজবগী নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মকর: লাইবক ফবা, নথক থোংবনা চানবীবা, মীনা ইকায় খুম্নবীবা নুমিৎনি। লাঙতক্লবা, অশাওবা লোয়নরদি নরল খরদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: খোয়রাং-খোয়শাওনবা, ৰাখল থোকপা ৰাংলি, অফা-অপুন্নবা লৈ। মরুপ-মপাং/নথক থোংবা লোয়নরদি মাঙবা য়াবদে কনগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক লৈতে।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মীন: মীৱা লৌবা অমদি নোল্লকপা হৈতবনা কিবা অমদি লৈফম খঙদবা নংগনি। লৌশিং চাউবা মীগী পাউতাক লৌরদি মাঙবা লৈরোই।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফরগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয় মহয় ফংগনি।